# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ১৩৩

## ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম

*ঙসিদি* মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা ঈরাং লৈরে হায়বসি তশেংনা চুপ্লে। খুঙ্গং, সহর খুদিংমক্তা নুপী-অঙাং, মহৈরোয় খুদিংমক চরাংনবা মতম ওইরে। অসিগুম্বা চরাংনরবা মতমসিদা পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক য়েংদুনা লৈথোকপসি মীচম-মীয়াম, মীওই খুদিংমক্কী থম্মোয়দা করি ফাওনরমগনি। ঙসিগী চরাংনরবা মণিপুরগী মীয়াম্না থম্মোয়দা ফাওনরিবা খুদিংমক মীওইবা ফুরুপতি লায়রদনা মরোল থোক্তবা মমাঙঙৈদগী লৈরক্লবা জীব ফাওবনা করি-করি ফাওনরমগনি। ২১শুবা চহী চাসিগী নুপী-অঙাং, মহৈরোয় খুদিংমক্কী থম্মোয়দা শিবা কিদবমখৈ লাংনরক্লিবা লুরবা তাঙ্কক অসিদা ৱাখল লৈরবনি, লৈবাক্কী/ইরমদমগী থৌগল তৌগনি খন্দুনা চোঙথোক্লরকখিবা, চোঙথোকখিবা পোলিটিকেল পার্টি কয়ানা করম্বা খোঙথাং লৌবিরক্কদৌরিবা? মৈতৈগী ৱাহৈদা খোঙ্গ্রাই শৎলিঙৈ ষণনা ৱাই হায়বদু থোক্কদৌরিবরা? ঙসিগী লুরবা তাঞ্জাসিদা পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্না ঐগী-মাগী হায়বা থিনদনা থম্মোয় শেংনা ইরমদমগীদমক করি-করি থৌদাং লৌবীফম থোকপগে হায়বা পন্থদনা থবক ওইনা পায়খৎলকপা মতম ওইরে।

মপূং ওইনা মণিপুরগী মীয়ামগীদমক কথোক্কনি হায়না ইলেক্সনগী মতমদা লাউনরম্বশিং ঙাঙবগী মহুত্তা থবক ওইনা ঐ লৈরি, ঐখোয় লৈরি হায়দুনা শিবা কিদনা পাম্বোম তিংবা মতম য়ৌদ্রিবরা? ইন্দিয়ানা নীংখা তম্বা শাংলবা মতমদগী ঙসি ফাওবা লৈরকপসিদা মীয়ামগীদমক কথোকপা ঙম্বা মীশক অমা ফাওবা মরূ ঈহুল তমদ্রবরা হায়বা ৱাহং অমদি লেপ্তুনা হংনরকখি। মণিপুরগী পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক ভোট মমাঙদা মণিপুর নুংশিবা শারম্বশিং হৌজিক কদাইদা লৈখ্রবগে? মণিপুরগী কাচিন কোয়া মফম খুদিংদা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ ৱিদ্রো তৌ হায়না নোংমগী লেপ্তুনা লাংনরক্লিবসি ঙসি ঙরাংতগী নত্তে, নুমিৎ খরদি হৌজিনখ্রে। মণিপুর নুংশিবা অমদি মণিপুরীশিংগী তুংগী ওইরক্কদবা শক্তম পোলিটিকেল পার্টিশিং তশেংনা খঙদ্রবরা? পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক কুমজা ২০১৯গী এম পি ইলেক্সনগী লাংনরকপা মীয়াম্না তশেংনা খঙনরক্লে। অসি য়ৌনা লাংনরক্লবা মতমসি ফাওবা এম এল এ, মন্ত্রি খুদিংমক ফম কোন্দুনা লৈরিবসি করিগীনো? অফবা ফত্তবা তুংগী মীরোলগীদমক অৱাং নোংপোক্কী মণিপুর নত্তবা ষ্টেটশিংদা লাংনরক্লিবশিং মীচম মীয়াম্না পাউচেশিংদগী তানরক্লে। ঐখোয়গী মণিপুরগী লৈঙাক পায়রিবশিং, ওপোজিসন্দা লৈরিবশিং লোয়ন-লোয়ননা লাক্কদৌরিবা এম পি ইলেক্সন অসিদা ভোট লেপ্লগনি খন্দুনা লৈরিবশিংনা তুমিন-তুমিন লৈনরিবসি ওন্থোক্লা থম্মোয় চাউখ্রেদকো। মসিগী মতাংদা অসামগী পোলিটিকেল পার্টি খরনা ফম থাদোক্কনি লাউনরকখিবশিং মখোয়গী ৱাখলনা করম্বা ৱাখলনো? মণিপুরগী এম এল এ, মন্ত্রিশিং ওন্থোক্লা থম্মোয় চাউখ্রেদকো। পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক ইশা ইশাগী লোয়ন-লোয়ননা পার্টিগী ওইজনাম, লৌজনাম, নপচনামদা হিংগে খনবীরিবশিং মণিপুরসিবু দেল্লিগী য়াননবা চৎত্রবদি শুকয়ামক য়াদ্রবরা?

ঙসি চখ্থরক্লিবা পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্কী শক্তম অসিদি মণিপুরবু য়োন্থোকপা ফাওবা দেল্লিগী য়াথং ইনবীগদৌরিবরা? মমাঙথক্তা কবো ভেল্লি য়োন্থোকপগুম হন্দক্কী সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অসিদা মনা-মনিল নাইদনা নুপা থোক্লা পাঙ্গল ফুদোকপা ঙমদবসি পূম্নমক নুংশা মঙালদা লেন তুম্বগুম দেল্লিগী য়াথংদা মাঙমিন্নরসি হায়বরা?

ঙসি নোংমা নীনি অসিদা মফম খুদিংদা চখ্থরক্লিবা ঈহৌ অসি লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা ঙাঙনরি হায়দুনা অসুম লৈশিনবদি মমাঙথক্কী জুন ১৮গী মীশি-মীনাদগী হেন্না শাথিবা ওইরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মমাঙথক্কী জুন ১৮দা মীচম ঙাক্তা পুন্সি মাঙখিবনি হন্দক্কী সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অসিগী মতাংসিদি য়াম্না চম্না তরাইনা খন্দাকপদি অৱাবনি, মীচম-মীয়ামখক্তা ওইরক্লোই। মসিগী মতাংদা খুঙ্গং, সহরগী মচি-মচিদা হৌরকপা ঈহৌ অসিগী খোঙফম শেম্নরকপসি তরাইবা নত্তে। মৈরিক্তগী মৈজাও ওল্লক্কনি। খুরক্কী ঈনা লাই শারকপা তরাইবা নত্তে। পোলিটিকেল পার্টি, এম এল এ, মন্ত্রি অমত্তা লেম্না নান্থোকপা খক য়াররোই। চীংমী-তম্মী নুপী-অঙাং ফাওবা চরাংনরবা মতমনি। চীং-তম অনীগী অপূনবা ঈহৌনি। ঙসি ফাওবা অসিগুম্বা ঈহৌ লাকখিদ্রি। মসিগী মখা তারকপদা অফবা খুদম চাংদম অমত্তা ওইরক্লোই।

মণিপুরদা লো এন্দ ওর্দর ফত্তে হায়বা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ফজনা খঙলিবনি। পূম্নমক্কী মথক্তা মণিপুরীশিংগী থৌনা লিংজেল ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংনা কাউরমগনি নীংদে। মতম অমদা নোংমৈগা থাঙ-তাগা লম্বা ফাওবা তৌনরম্বগী পুৱারী লৈখ্রবনি। ঙসিদি নোংমৈনা মরাং কায়রবা মতমসিদা অসিগুম্বা মীয়ামগী থম্মোয় শোকপা থবক ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পায়খৎলকপা হায়বসি তরাইবা খক ওইররোই। দেল্লিনা ঙম্বরা, মীচম মীয়াম্না ঙম্ব্রা হায়বা চাংয়েং অমদি শোয়দনা থেংনরগনি। মসি পূম্নমক্কী মথক্তা পিকখ্রবা মণিপুরদা লৈরিবা লালহৌবগী শকলোন তরাইনা খন্দোকপীগনু। মপূং ওইনা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা পুনমিন্নরিবা পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক থম্মোয় শেংনা মণিপুরগীদমক থৌগল তৌবীয়ু। মীওইবগী পুন্সি কনাসু ওমর নত্তে। মণিপুর মুৎখিবদা পূম্নমক য়াওরগদবনি। হন্দক্কী সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অসি মীচম মীয়াম খক্তগী নত্তে। মতম খরখক মন্ত্রি, এম এল এ ওইহৌরগা পুন্সি চূপ্পা নুংঙাইবা য়াররোই।

মতম খরগী মমাঙদা মণিপুরদা ঈরাং শাগৎলগা মতম মতমগী লৈঙাক পায়রিবশিংনা ঈরাংগী মনুংদা খুদোংচাবা লৌহৌবগী তাঞ্জাদু হন্দক্কী শিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অসিদি ঈরাং কনশিল্লকপা, খুদোংথীবা অসুম অসুম অহল-নহা, মহৈরোয়শিং অমদি মীয়ামদা মহৌ শংবগুম থোক্কনি। লৈঙাক পায়রিবশিং মমাঙথক্কী ঈহৌ কয়াদা লোৎতুনা লৈবদু হন্দক্কী সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অসিদদি চীংমী-তম্মী হুপ্না চখ্থরকপা ঈহৌনি। চীংসু-তমসু পুল্লবদা মফম কদাইদনো মন্ত্রি, এম এল এ, পোলিটিকেল পার্টিশিংনা অখঙবা, অহৈবা, অশিংবা শাবদু য়াররোই। হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগী খোঙলোয় খুদিংমক থম্মোয় শেংনা পোলিটিক্স তৌবীগে খল্লবদি নুপা থোক্লা বিল অসিগীদমক য়াদে হায়বা মকা ফোঙবীয়ু। মদুনা মীয়াম্না পুৱারীগী তাঙ্কক অমনি শোন্নহনসি।

সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অসি চৎনরবদি ঐখোয়গী য়েলহৌমীগী মফম লৈররোই হায়বসি মীচম মীয়ামনা কন্না লাউরিবসিবু ঙসিগী বি জে পিগী লৈঙাক অসিবু মুখ্থৎনীংবগী ওইনা লৌনরবরা? মতাংসিদা ঙসিগী লৈঙাক্কী থবক তৌরিবশিংনা তশেংনা নুং-পান থম্মোয় শেংনা খন্থবীগদবসি সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬কী ৱাহন্থোক অসিবু মীচম মীয়ামগী থম্মোয়দা চিংনরিবসি লৈঙাক পায়রিবশিংনা মীয়ামদা মসিগী ৱাহন্থোক অমুক্তা হন্দোকপীদুনা চরাংনরিবসি কোকহল্লবদি পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি। মসি নত্তনা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা অমদি মীচম মীয়াম, এন জি ওশিংনা মীয়ামদা ফাওহল্লিবা ৱাহন্থোক অসিগা লৈঙাক পায়রিবশিংনা য়াদ্রিবসি করিগীনো? মণিপুরদা বি জে পিনা লৈঙাক পায়রিবশিং অসি ঙসি ফাওবদি শ্রী বিরেনগী বি জে পিবু য়াদবা মীওইশিং লৈতবরা খল্লি। অদুগা করিগীদমক শ্রী বিরেনগী বি জে পিগী লৈঙাক মতমসিদা মীয়াম্না ঈহৌ লাক্লিবনো? শ্রী বিরেনগী বি জে পিগী লৈঙাক অসিবু মণিপুরগী মীয়ামগী নীংবা থুংহন্নবা থবক তৌগনি হায়দনা লাউখিবদু অতাবশিংনা লান্না লৌনরবরা?

মতাং অসিদা মপূং ওইনা হায়জনীংলিবদি মীয়াম্না থম্মোয় শেংনা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অসি পামদ্রে। মণিপুরগীদমক লৈঙাক অসি থম্বা নত্তে। মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা চীংমী-তম্মী খুদিংমক্কী অপাম্বা ৱাখল্লোন ঙাক্তনি। মতাংসি য়ৌরক্লবদি শ্রী বিরেন্না থম্মোয় শেংনা মণিপুরগী চীংমী তম্মীগীদমক খন্থবিরগা সেন্টরদা লৈরিবা মোদিজিগী মফমদা মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বা থবক ওইনা ওন্থোকপীয়ু হায়বদা করি কায়বগে? মসিগী মথক্তা অৱাং নোংপোক ভারতকী মীয়াম্না পাম্নদ্রবা বিল অসিবু ঙম্মী মতাগুম নমদুনা পাস তৌননবা হোৎনবসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। মসিগী মথক্তা অৱাং নোংপোক ভারতকী এম পি মশীং য়ামদে, নমদুনা চৎনহনগনি খল্লবদি অচুম্বা অশেংবা পোলিটিক্সকী মীৎয়েং নত্তে। পোলিটিক্স হায়বসি মীয়ামগী অপাম্বনি। অদুবু অপাম্বনি হায়দুনা অপিকপবু অচৌবনা তুহৎপীবদি অচুম্বা খোঙথাংসু ওইরোই। মতাংসিদা মপূং ওইনা থমজনীংলিবদি মীয়ামগী ঈরাং থোক্লবা শিনবদি পোলিটিকেল পার্টি কৈদৌনুংদা পুন্সি নুংশাংনা চৎপা খক য়ারোই। অৱাং নোংপোক ভারতকী মীয়াম্না শিবা কিদনা লেপলিঙৈদা মোদিজিগী বি জে পি কৈদৌনুংদা মায় পাক্লোই। মপূং ওইনা শিবা কিদবা মীগী লম্বা মালেমদা মরূ ইহুন ফাওবা তম্বা ঙম্লোই। মীয়ামগী অপূনবা শক্তিবু কনানা নমথেকপা ঙমগনি। মীয়াম পুল্লসি মীয়াম থম্মোয়গী অচেৎপা লৈরিঙৈ কৈদৌনুংদা মায়থীবা পীবা ওইথোক্তে। অদুম ওইনমক ২১শুবা চহীচা অসিদা মতমগী ওল্লক্লিবা ঈচেল অমদি লৈতবা নত্তে। শিবা কিদবগী লম্বীদি মপূং ওইনা ইকায়বা খঙদবসিনি। পোলিটিক্স তৌবা হায়বসি শিবা কিদবা চঙই। মসিগী মথক্তা ইকায় খঙদবা হায়বসি খ্বাইদগী মরূ ওইবা শিনফম অমসুনি। মণিপুরদা নম্বর গেমদা ২৮বু ২২না খুদুম চনখিবা হায়বসি ওন্থোক্লা ৱাহন্থোক লৈনা লৌনদবা নত্তে।

মপূং ওইনা মণিপুরদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টি পূম্নমক্কী মফমদা থমজনীংলিবদি ঐগী পার্টি, মাগী পার্টি হায়বা থম্নদনা অপূনবা চীংমী-তম্মীগীদমক তুংগী পুন্সিদা ওইরক্কদবশিং খন্থমিন্নরগা ঐগী পার্টি, মাগী পার্টি থাদোকপা মতম ওইদ্রিবরা? পোলিটিকেল পার্টি মুৎখিবা য়াই, মুখ্থৎপা য়াই। মীয়াম্না য়াদ্রবদা কয়াম কুইনা লৈবা ঙমগনি। মতম অমদা য়ং-য়ং লাউরম্বা পোলিটিকেল পার্টি ঙসি মুৎখিবা য়াওদবা নত্তে। মীয়াম লৈবগী লৈবা ঙমজবনি। মীয়াম্না য়াওদ্রবা পোলিটিকেল পার্টি কয়াম কুইবা য়াগনি। মতাংসিদা শেঞ্জাও পায়বা মীয়াম্বু লৈবা ঙম্বা, মীয়াম্বু লৈগে খনবা পার্টি খরদি ঙসিসু লৈতবা নত্তে। পান্দম অসিগী মখাদা মীয়ামবু থওই-উশিৎতবা, মীবু মী ওইনা খন্দবা শেঞ্জাও পায়বা খরনদি নমদুনা হুমদুনা পুগনি খনবা য়াওরম্বসু য়াই। অদুবু হন্দক্কী সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬কী মতাংদা অমদা নৎত্রগা অমদা নমদুনা চৎহন্নবা খল্লবদি তরাইবা ৱাফম নত্তে। মতম অমগী মীয়ামগী ৱাখল পোলিটিকেল পার্টি খরনা হুমদুনা পুরম্বদু ২১শুবা চহী চাগী কম্প্যুটরগী চক অসিদদি য়াররোই। মরম অদুনা মণিপুরদা লৈঙাক তৌবিরিবা ইকায়খুম্নজরিবা ঙসিগী মীয়াম্না থাজবসু থমজরিবা বি জে পিগী লুচিংপুরেল ওইবিরিবা সী এমনা থম্মোয় শেংনা কথোকপগা লোয়ননা মণিপুর মীয়ামগী, চীংমী তম্মীগী অপাম্বা, অনীংবা থুংহনবীরক্কনি হায়বা থাজবা থমজরিবসিদা পুকচেল শেংনা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অসিগী মায়োক্তা অচুম্বা খোঙথাং লৌবীরক্তুনা ঈং-তপ্পা লোইশিনবীনবা থাজবা থমজরি।

অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম্বু সেন্টরগী লুচিংবশিংনা এম পি মশীং য়ামদবগী য়েংলিবা থওই-উশিৎতবা মানবা মীৎয়েং অসিদি ইন্দিয়াগী মনুংদগী তোঙান তাহনবগী মওং মানবসি মীয়াম্না পেন্নীংঙাই ওইদে। মসিগী মথক্তা মণিপুর অসি লম্ খুদিংমক্তা খোইরাং খোইশাওনহনবসি ঙসি ঙরাংতগী নত্তে। কবো ভেল্লিগী ৱাথোক ঙসিসু চরাংনবা লৈতবা নত্তে। এন এস সী এনগী লালহৌলূপ অমবু থেম্নবা হোৎনরকপগী ৱাফম অমত্তা মীয়াম্না পেন্নীংঙাই ওইদে। পেন্নদবগী কল্লবা ঈহৌশিং লৈরিঙৈদা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ পুথোরকপসি অচাকপা মৈদা ঘী হৈজিনবগুম থোক্কনি। ঐখোয়গী পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্না দেল্লিদগী নিরগা হিংবগী চৎনবীসি থাদোক্লসি। অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম্বু অতোনবীগী মচাগুম খনবসি হন্দক্কী মতাংসিদা তং তাবা অমা খঙহনবা মতম চারে। মীয়াম পূল্লসি, মীয়ামগী খোল্লাউ, মীয়ামগী ঈহৌনা কদাই ফাওবা ঙম্বগে ফোঙলসি। অপূনবগী জয় লৌমিন্নরসি, মীয়াম্না পুল্লবদা ঙমলোইদবা লৈতে।

মমি ৱারী

# ‘অৱা নুংঙাই খোঙচৎ’

## রোবার্ট লাইশ্রম










পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।